**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 03-07-2026)**

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দ সিংহনা ঙসি তেংনৌপল জিলাগী ক্লস্তর লেবেল ফেদরেসনগী ফিভম য়েংশিনখ্রে।

মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা মনিপুর ষ্টেট রুরেল লাইফলিহুদ মীসনগী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং য়াওনা ক্লস্তর লেবেল ফেদরেসন অদ্ হন্না য়েংশিনখিবনি।

মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিং মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা, সসটেনেবল লাইফলিহুদ প্রমোদ তৌবা অমসুং জাতি কাংলুপশিংগী য়াইফনবা হোৎনবদা ক্লস্তর লেবেল ফেদরেসনশিংগী চাউরবতা থৌদাং লৈ। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-খুঙ্গংগী লমশিং মপুং ফানা চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা গ্রাস রুটতা লৈরিবা ইন্সটিটুসনশিং মপাঙ্গল কনখৎহনবা হায়বসি সরকারগী অচেৎপা ফিরেপনি।

অমরোমদা, জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস) সেনিয়ার ফেক্লতি মেম্বরশিংগা ঙসি মুখ্য মন্ত্রিগা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা ইন্সটিট্যুট অসিগী চাউখৎ থৌরাংশিং অমসুং ইনফ্রাষ্ট্রকচর পাকথোক চাউথোকহন্নবগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি।

হকশেলগী লমদা মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা হোৎনবদা জেনিমস হোস্পিতালদা লৈরিবা অৱাৎপশিং অমসুং চাউখৎ থৌরাংশিংগী থবকশিং পায়খৎপা হায়বসি য়ামমক তঙাইফদে। জেনিমস হোসিপতালবু মকোক থোংবা মেদিকেল ইন্সটিট্যুট অমা ওইহনবা হায়বসি সরকারগী  চেৎপা ফিরেপনি।

অমরোমদা, মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা সভাপতি ওইদুনা ৩৪ শুবা কংলা বোর্ডকী মীফম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদু ইম্ফালগী বাবুপারাদা লৈবা মুখ্য মন্ত্রি সেক্রেটরিয়েটতা

পাঙথোকখিবনি।

মহাক্কী সোসিএল মেদিয়াদা পোষ্ট অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-মীফম অসিদা কংলাদা মতমগা চুন্নবা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎনবগী মতাংদা খন্নখি। সরকার অসিনা রাজ্য অসিগী ইনাক খুল্লবা সংস্কৃত্তি অমসুং মহৌশাদগী লৈরক্লবা ষ্ট্রকচরশিংবু ঙাক শেনগনি।

মীফম অদুদা আর্ট এন্দ কলচর মন্ত্রি-খুরাইজম লোকেন, এম.এল.এশিং অমদি বোর্ডকী ওফিসিএলশিং শরুক য়াখি।

**খেমচান্দ (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা সভাপতি ওইদুনা ঙসি পব্লিক ৱাক্স দিপার্টমেন্টনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং অমুক হন্না য়েংশিনখ্রে।

ইম্ফালগী মন্ত্রি পুখ্রিদা লৈবা ন্যু সিভিল সেক্রেটরিয়েটতা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা ৱাক্সকী কম্মিস্নার, চীফ ইঞ্জিনিয়ার অমসুং মকোক থোংবা ওফিসিএলশিংনা শরুক য়াখি।

মহাক্কী সোসিএল মেদিয়া পোষ্ট অমদা শ্রী খেমচান্দনা হায়-য়েংশিন মীফম অদুগী মনুংদা দিপার্টমেন্ট অসিগী মখাদা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং অমসুং অতৈ প্রোজেক্টশিং নীংথিনা পায়খৎলি হায়বা খঙবা ঙমখি অমদি থবক থৌরমশিং অসি অপিবা মতমগী মনুংদা মতম চানা লোয়শিনবা খন্নখি।

**মহোতসব (এল)ঃ** অকোইবগী খল ঙাক শেন্দুনা থমবা অমসুং মীয়ামগী সেভা তৌনবা পান্দমদা নিঙোল ভেন হায়না মিংথোনবা থৌরাং অমা ৭৭ শুবা বন্দ মহোতসবকা মরী লৈননা ইম্ফাল ৱেষ্টকী লমদোংদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

ঈ অমা, উ অমা হায়বা হীরমদা পাঙথোকপা থৌরম অসিদা মফম অদুগী নুপীশিং, নর্স তন্নিবা মহৈরোইশিং, সেন্ত্রেল ফোরেষ্ট দিভিজনগী ওফিসিএলশিং অমসুং হকশেলগী লমদা থবক তৌরিবা মীওইশিং পুনশিনদুনা পাঙথোকপা

কেম্পেইন অমনি। কেম্পেইন অসিগী মনুং চন্না পাক্তকনা উ থাবা অমদি ঈ-দান তৌদুনা মীওইবগী পুন্সি কন্নবা অমত্তা ওইনা চংশিনমীন্নবনি। ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদু তোঙান তোঙানবা লন্নাইগী অমদি সরকারগী বিভাগশিং, ক্লবশিং অমসুং হোস্পিতালশিংগা পুন্না শিনবনি।

অমরোমদা, সেন্ত্রেল ফোরেষ্ট দিভিজন-মনিপুর শওম্বুং রেঞ্জকী মখাদা বিট ওফিস নাপেৎপল্লিনা শিনদুনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী নাপেৎপল্লি কালিকা মন্দিরগী এরিয়াশিংদা পাঙথোকখিবনি। উপাল ৱাপাল মরাং কায়না হৌহন্দুনা তুংগী মীরোলশিংগীদমক হেন্না ফবা ইনভাইরোনমেন্টকী ফিভম অমা ওইহন্নবা ৱাখল্লোনদা মপুং ওইবা পান্দম থমদুনা পাঙথোকখিবা উ চারাশিং থাবগী থৌরম অদুদা ফোরেষ্ট বিভাগকী মীহুৎশিং অমসুং মফম অদুগী মীয়াম শরুক য়াখি।

**ককচিং(এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন-ককচিং, দিষ্ট্রিক্ট সোসিএল ৱেলফিয়ার ওফ ওফিস, দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিট অমসুং ইন্টিগ্রেটে চাইল্ড দিবলপমেন্ট সাভির্সেসনা পুন্না শিন্দুনা ককচিং জিলাগী ৱাংঙু তেরা হায়স্কুলদা স্পিসিএল এনরোলমেন্ট অমসুং সেচুরেসন দ্রাইব অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু ইলিজিবল ওইরবা বিনিফিসরিশিং অমসুং ৱাংঙু তেরা হায়স্কুলদা লৈরিবা আই.দি.পিশিংদা তোঙান তোঙানবা সোসিএল ৱেলফিয়াগী স্কিমশিংদা মিং চলহন্নবা অমসুং খুদোংচাবা ফংহন্নবগীদমক মনিপুর সরকারগী সোসিএল ৱেলফিয়ার বিভাগকী মখাদা পাঙথোকখিবনি। দ্রাইব অসি মখা তানা থা অসিগী তরুক্তা ককচিং খুনৌদা লৈবা কে.বি.এম. ইংলিস স্কুলদা অদুগা থংনবা নুমিৎতনা তাংজেং খুঞ্জাউ কম্যুনিতি হোল রিলিফ কেম্পতা অয়ুক পুং ১০ দগী নুংথিল পুং অহুম ফাওবা পাঙথোক্কনি।

**ধরনা(এল)ঃ** সসপেন্দসন ওফ ওপরেসন (সু) দা লৈরিবা অমদি সু নত্তবা গ্রুপতা লৈরিবা খুৎলায় পায়বশিংনা মীচম মীয়ামগী মথক্তা চথরিবা হিংশাগী

থৌওংশিং য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা অমুকো, পোইরৈ লৈমরোল, অমোভা, কোহর অমসুং মহৈরোই লুপ এম.এস.এফনা পুন্দুনা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদু ইম্ফালগী ক্বাকৈথেল অখাম লৈকাইদা লুপ মঙা অসিগা থৌমীশিংনা শরুক য়াদুনা চথখিবনি। অমরোমদা, কাংপোকপী জিলাগী লৈলোন ৱাইফৈ খুলদগী নাগা মীচম তরুক ফাখ্রবা মতুং হাৎখিবা থৌওং য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মন্ত্রি পুখ্রি, খাবম লমখাই, লুৱাংশংবম চিনি গোদাউন্দ মপাদা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংনা শরুক য়াদুনা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে।

**সেমিনার (এল) ঃ** সাউথ ইষ্ট এসিয়া অমসুং য়ুমলোন্নবা লৈবাকশিংদা ইরাং নেমথহন্নবা অমসুং শান্তি পুরকবা হায়বসিগী মতাংদা নুমিৎ নিনি চথগদবা ইন্টরজাতিগী মীফম অমা ঙসিদগী ইম্ফাল ইষ্টকী খুরাই কোন্সম লৈকাইদা লৈবা খোঙনাংথাবা য়ুনিভরসিতিদা হৌখ্রে।

খোঙনাংথাবা য়ুনিভরসিতি ইম্ফালগী আই.ক্যু.এ.সি. অমসুং সেন্টর ফোর সাউথ ইষ্ট এসিয়ান ষ্টদিজ, ইন্দিরা গান্ধি নেনেল ত্রাইবলে য়ুনিভরসিতি-অমরকান্তককী দিপার্টমেন্টে ওফ পোলিটিকেল সাইন্স এন্দ হ্যুমেন রাইটস অমসুং কমখ্যা পেমটোন কলেজ-হিয়াংথাংগা পুন্না শিনবা কনফরেন্স অসিদা থাইলেন্দ, ম্যান্মার, মনিপুর অমদি লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংদগী লাকপা স্কোলারশিং, এক্সপার্টশিংনা চে পাথোক্কনি।

ইন্দিরা গান্ধি নেসনেল ত্রাইবেল য়ুনিভরসিতি-অমরকান্তক মধ্য প্রদেসকী পোলিটিকেল সাইন্স অমসুং হ্যুমেন রাইটসকী-হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট প্রোফেসার-এন. সুরজিৎকুমারনা কনফরেন্স অসিগী মতাংদা হায়- কনফরেন্স অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি, সাউথ ইষ্ট লৈবাক অমসুং য়ুমলোন্নবা লৈবাকশিং-মরুওইনা মনিপুরগুম্বা রাজ্যশিংদা হিংশানা থোকহল্লকপশিং থিজিনবনি।

**দিসা (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট দিবলপমেন্ট কোওর্দিনেসন এন্দ মোনিটরিং কমিতি (দিসা), ইম্ফাল ইষ্টকা মীফম ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী দি.সি. কমপ্লেক্সকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

জিলা অসিগী দিসা কমিতিগী মীহুৎশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা লোক সভাগী এম.পি. ডা: অঙোমচা বিমোল অকোইজমসু শরুক য়াখি।

**য়ুসিএম (এল)ঃ** য়ুনাইটেদ কমিতি মনিপুর (য়ু.সি.এম) লিংখৎখিবগী চহি ২৫ মপুং ফারকপগী থৌরম ইম্ফালগী লমফেলপাৎতা লৈবা লুপ অসিগী ওফিসতা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মনিপুরদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিং অমসুং লুপশিংগী মকোক থোংবা লুচিংবশিং য়াওনা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**লম্বী (এল)ঃ** ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী ব্রিজ রুপ নম্বর ৩৪ গী কিলোমিটর ১০ শাংবা লম্বী শেমজিন শাজিনবনা মরম ওইরগা হয়েং অমসুং হংচিৎকী অয়ুক পুং ১০ দগীনা অমা ফাওবা চৎথোক চৎশিনদা অথিংবা লৈগনি।

হীরম অসিগী মতাংদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা চেরোল অমা থোকখ্রে। চেরোল অদুগী মতুং ইন্না হায়রিবা মতম অসিদা গাড়িশিংনা অতোপ্পা লম্বীশিংদা চৎনবা অমদি ত্রাফিক্কী নিয়ম ইনবীনবসু হায়রি। মসিদা পুলিস অমদি অতৈ ওফিসিএলশিংনা মতেং পাংবীনবসু হায়রি।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা শিনদুনা চন্দখোঙগী মৈরা পাইবীশিং, লিলোং, হৈনৌপোকপী, চন্দ্রখোঙ অমদি তোঙান তোঙানবা কাংলুপশিংগী লুচিংবশিংগা পুন্না মীফম অমা পাঙথোক্তুনা তোঙান তোঙানবা কাংলুপশিংগী

মরক্তা তেংবাং পীনবা য়াওনা অফবা মরী থমবগী মতাংদা খন্নখ্রে।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা শিনদুনা কাংপোকপী জিলাগী বুংতে চিরু ভিলেজতা কম্যুনিতি আউটরিটচ প্রোগ্রাম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

**নাগালেন্দঃ** নাগালেন্দগী মুখ্য মন্ত্রি-নৈফিয়ু রিওনা স্পোর্টস ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্রোজেক্ট ১৬ ঙসি ভরচুয়েল ওইনা হাংদোকখ্রে।

কোহিমাদা লৈবা মুখ্য মন্ত্রিগী রেসিদেন্সিয়েল কমপ্লেক্সতা হৌদোকখিবা প্রোজেক্টশিং অদুগী মনুংদা মরি অমনা খেল্লো ইন্দিয়া প্রোগ্রামগী মখাদনি অদুগা ১২ না রাজ্য সরকারনা পায়খৎকনি।

থৌরম অদুদা কেন্দ্রগী য়ুথ এফিয়ার্স অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রি-মনশুখ মন্দাভিয়াসু ভরচুয়েল ওইনা শরুক য়াখি। খেল্লো ইন্দিয়া প্রোজেক্টকী মনুংদা মকোকচুং অমসুং ন্যুলেন্দদা জিলাশিংদা মল্টিপরপজ হোলশিং শাবা অমসুং ৱাখা টাউন্দদা লৈবা পুলিস রিজার্বতা প্রি-ফ্রেবিকেটেদ ইন্দোর স্পোর্টস হোল অমা শাবা য়াওরি।

রাজ্য সরকারনা পায়খৎকদবা প্রোজেক্টে ১২ গী মনুংদা কিফরি, নোকলপ, ৱাখা, ফেক, মোন, চুমুকেদিমা, কোহিমা, দিমাপুর অমসুং পেরেল জিলাশিংদা ফসল গ্রাউন্দশিং, প্রি-ফ্রেবিকেটে মল্টি পরপজ হোলশিং অমসুং অতৈ স্পোর্টসকী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং শেমগৎপা য়াওরি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হয়েং রাজস্থানগী বালোত্রাদা লুপা কোতি লাখ অমা হেনবগী তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিং শঙ্গাগনি খরনা উরেপ উয়ুং তমগনি।

জয়পুর ইয়ারপোর্টকী অনৌবা টর্মিনেল বিল্ডিং অমা, ভারতকী অহানবা গ্রীন ফিল্ড রিফাইনারি কম পেত্রো কেমিকেল কমপ্লেক্স শঙ্গাগনি। কমপ্লেক্স অসি লুপা কোতি লিশিং ৭৯ হেন্না চংনা শাবনি।

প্রধান মন্ত্রিনা জয়পুর মেট্রো রেল প্রোজেক্ট উরেপ উয়ুং তমগনি।

তুংদা, প্রধান মন্ত্রিনা গুজরাটকী অহমেদবাদতা জি.জি. সেমি আউটসোর্ছ সেমি কন্দক্টর এসেমব্লি এন্দ টেষ্ট য়ুনিট অমা শঙ্গাগনি।

**মিজোরামঃ** মিজোরাম সরকারগা টোয়োটা কিরলোস্কর মোটোরগা মিৎ উদ্রবা মহৈরোইশিংদা টেকোলোজিগী তেংবাং অমদি অমদি মহৈ তম্বদা খুদোংচাবা ফংহন্নবগীদমকা য়ান্ন-ৱারোল অমা সহি তৌনখ্রে।

মেনেকোগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথাকখিবা থৌরম অমদা য়ান্ন-ৱারোল অদু রাজ্যগী সোসিএল ৱেলফিয়ার মন্ত্রি-লাললিনপুই অমসুং টোয়োতা কিরলোস্কর মোটোরগী মীহুৎশিংগগী মরক্তা সহি তৌনখিবনি। থৌরমদুদা ৱা ঙংবদা সোসিএল ৱেলফিয়ার মন্ত্রি-লাললিনপুইনা হায়-খোঙথা অসিনা রাজ্য অসিগী মিৎ উদ্রবা মহৈরোইশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়া কোকহনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

**অমরনাথ ঃ** কুমশি চহিগী শ্রী অমরনাথ যাত্রা ঙসি অয়ুক্তগী খোঙশানবা হৌখ্রে। জম্মু কাশ্মীরগী পহলগাম অমসুং বালতাল লম্বী অনিমক্তগী মীয়ামা লাই খুরুম বগীদমক খোঙশানবা হৌনখি।

ঙসিদগী হৌরগা নুমিৎ ৫৭ নি চুপা চত্থগদৌরিবা লাই খুরুম্বগী থৌরম অসিদা লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাই খুরুম্বা মীওই লাখ কয়ামরুম লাক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লি।

**ফিফা ঃ** ফিফা ৱার্ল্ড কপকী রাউন্দ ওফ থারতি টুগী মেটচশিংদা-ঙসি নুমিদাং পুং ১১ মখায়দনা ওষ্ট্রেলিয়াগা ইজিপকা শান্নগনি। হয়েং অয়ুক পুং ৩ মখায়দা আর্জেন্টিনাগী কেপ ভর্দিগা শান্নগনি। হয়েং অয়ুক পুং ৭ তা কলম্বিয়াগা ঘানাগা শান্নগনি।

ঙসি অয়ুক শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচশিংদা পোরতুগলনা ক্রোয়েসিয়াবু পাঞ্জল ২-১ দা অমদি স্পেন্না ওষ্ট্রিয়াবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখি।

**ফুটবোলঃ** ১৩৫ শুবা ইন্দিয়ান ওইল দুরান কপকী ফিকচর থোক্লে। টিম ২৪ না গ্রুপ তরুক খায়দোক্তুনা সহর মঙাদা শান্নগনি।

হৌদোকপা নুমিৎ হায়বদি, জুলাই ২৫ দা কোলকাতাদা ইষ্ট বেঙ্গোল এফ.সিগা মোহোন বগান সুপর জাইনগা শান্নগনি। খুন্মন লম্পাক্তা শান্নগদবা গ্রুপ (দি) গী মেটচশিং-থা অসিগী ২৮ দগী হৌগনি। অহানবা মেটচতা-ত্রাউ এফ.সিগা নেরোকা এফ.সিগা শান্নগনি।

**ফুটবোল ঃ** এন.জি.এল নোংপোক লৌরেম্বমনা শিন্দুনা মসিগী গ্রাউন্দদা চথরিবা ৭ শুবা লম্বামযুম নোংথোন ত্রোফি ফুটবোলগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-য়াইফথোই এফ.সি. সেক্তা লাক্তবদগী ৱাংজিং য়ুনাইটেদনা ৱাক ওভর ফংখ্রে। অনিশুবা মেটচতা সনামহি এফ.সি. ৱাঙ্গোইনা ফ্লোরি হোষ্টেল-শগোলবন্দবু পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীখি।

**সাইঃ** স্পোর্টস ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়া (এস.টি.সি) খুন্মন লম্পাক ইম্ফালনা বোক্সিং, জিমনাষ্টিক, করাতি-দো, রেস্লিং অমসুং ৱুশু মশান্নদা ইনখৎলক্লিবা নুপামচা অমদি নুপীশিং লৌগদৌরি।

য়াওনিংবা শান্নরোইশিংনা ডব্লিয়ু ডব্লিয়ু ডব্লিয়ু দোট নেসনেল স্পোর্টস টেলেন্ট হন্ট দোট কোম নৎত্রগা ওফিস অসিদগী ফোর্ম লৌরবা য়াগনি। ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবা তারিখ থা অসিগী ৮ নি। খনগৎলবা অঙাংশিংগী টেষ্ট থা অসিগী ৯ অমসুং ১০ দা পাঙথোক্কনি।

**ক্রিকেটঃ** অহানবা এম.এন.সি.এ. ৱিমেন্স অন্দর নাইন্তিন টি-টোইন্তি ত্রোফি

২০২৫-২৬ কী ঙসি থাংমৈবন্দ থাউ গ্রাউন্দদা শান্নবা মেটচতা থাউ-থাংমৈবক দনা টি.সি.এম.দি.সি. থোংজ পার্ট টু পেচু লম্পাকপু ৱিকেট তরেৎতা থোইখি।

খুদৈবন্দ লম্পাক তাউথোংদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা অক্সদো খাঙবোকনা য়ঙ ফিজিক য়ুনিয়ন-লালাম্বুংবু ৱিকেট অনিদা থোইখি।

**ক্রিকেট ঃ** মথং থাগী ১৫ দগী ২৭ ফাওবা শ্রীলঙ্কাদা পাঙথোক্কদবা ভারত অমসুং শ্রীলঙ্কাগী টেষ্ট সেরিজগী মতম বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি.সি.সি.আই) না লাউথোকখ্রে।

অহানবা টেষ্ট মেটচ মথং থাগী ১৫ দা গালে ইন্তরনেসনেল ষ্টেদিয়মদা শান্নগনি অদুগা অনিসুবা টেষ্ট মেটচনা কলম্বোদা মথং থাগী ২৩ দা শান্নগনি। মসি আই.সি.সি ৱার্ল্ড টেষ্ট চেম্পিয়নসিপকী শরুক অমা ওইনা পাঙথোক্কদবা টেষ্ট সেরিজনি হায়রি।